# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 3-12-2025)**

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চথরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ অহুমগী মীওইশিং ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই এরিয়াদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.এন.এল.এফ (কে) গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীওইনি। জিলা অসিমক্কী লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদগী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাবগাই কৈরক অচৌবদগী হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মীওই অসি হৌজিকনা জিলা অসিমক্কী ৱাইখোং কাংশম লৈকাইদা লৈবনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী আইন কায়না গাড়ি থৌবশিং ফাদুনা ফাইন থিহনবগী থবক মখা তানা চথরি। ঙরাং মনিপুর পুলিসনা আইন কায়না গাড়ি থৌবা মীওই ১৮ দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৪,৫০০ চলান কত্তুনা খোমগৎপা ঙমখি।

**এক্সিদেন্ট(এল)ঃ** ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল বাবু কৈথেল মনাক্তা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক্তা চহি ৬০ রোম

শুরবা অহল অমা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি। থৌদোক অদু মীওই অসিনা লম্বীদা চৎলিঙৈদা য়াংনা থৌরকপা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমনা থোল্লম্বনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিস্তর ওফিসকী সেৱা তির্থ হায়না নৌনা মমিং থোনখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-রাজ ভবনবু নৌনা লোক ভবন অমসুং রাজনিৱাসনা লোক নিৱাস হায়না মিং থোনখ্রে। লৈবাক অসি হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমসুং চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইনবা অফবা লৈঙাক সাসন অমসুং মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা পাণ দমগা লোয়ননা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মসি শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অমনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ দা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মশামকপু প্রধান সেভক অমা ওইনা খঙদুনা মীয়ামগীদমক পুং ২৪ চুপা মথৌ তৌরি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমু, ঙসি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা তিরুবন্তপুরমদা চৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না নেভি ডে-২০২৫ দা শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা ভারত নেভিনা ঙাকশেলগী লমদা তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু মালেমগী মীয়ামদা উৎথোক্কনি।

**দিআরদিওঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) না ঙরাং চান্দিগরদা ফাইটর ইয়ারক্রাফট সিষ্টেমগী হাই স্পিদ রোকের্ট স্লেদ টেষ্ট মায়

পাকা পাঙথোকখ্রে।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-কমপ্লেক্স দাইনামিক টেষ্ট অসিনা ভারতপু চাউখৎলবা ইন হাউস স্কেপ সিষ্টেম টেষ্টিং পাঙথোকপা ঙন্বা মালেমগী এলাইট ক্লব লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙমলে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা চাংয়েং অদু মায় পাকা পাঙথোকপগীদমক ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স, দি.আর.দি.ও. অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙাকশেলগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা লৈবাক অসিনা চংশিল্লিবা খোঙজংদা ঙরাংগী মায় পাকা চাংয়েং পাঙথোকখিবা অসি য়ামা শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**হোমঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দ রাইনা হায়রি-মীকোক থিবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা লাক্লিবা ইং ২০২৭ তা পাঙথোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে।

মন্ত্রিনা লোক সভাদা অইবা পাউখুম অমদা হায়-অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা য়ুমথোং মশিং খঙদোক্লবা মতুংদা মথং চহিগী এপ্রিলদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ফাওবা মীকোক মশিং থিগনি। ইং ২০২৭ তা অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীকোক থিবগী থবক চথুগদৌরিবা অসিদা মাগী মাগী ফুরুপশিংগী থাক খঙদোক্কনি।

**গ্যানেসঃ** ইন্তরনেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্তোরেল এসিসতেন্সকী মীফমদা ইহান হানবা ওইনা ভারতনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোল্লগনি।

স্বিদেনগী স্তোক্কহোমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা চিফ ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেশ কুমার শরুক য়াগনি। ভারতপু অসিগুম্বা মীফম অসিদা সভাপতি ওইনবা খল্লকপা অসিমক লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি হায়না

চিফ ইলেক্সন কম্মিসনর গ্যানেশ কুমারনা ফোঙদোরক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা অকি তুজংবা অমদি অরান অহুই য়াওদবা মীখল কয়া ভারত্তা পাঙথোকখিবা অদুবু মালেমগী মীয়ামা মশক খঙলে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি।

**সাইক্লোনঃ** শ্রীলঙ্কাদা নোংলৈ নুংশিৎ-দিতৱানা শিখিবা মী মশিং ৪১০ শুরে। মীওই ৩৩৬ না থিবা খঙদনা লৈরি হায়না লৈবাক অদুগী দিজাস্তর মেনেজমেন্ট সেন্টরগী পাউনা হায়রি।

লৈবাক অদুগী জিলা ২৫ দা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা মীওই লাখ ১৪ রোম অৱাবা মায়োকরে। কেন্দি জিলাদা পুন্না মীওই ৮৮, বদুলাদা ৮৩, নুৱারা এলিয়াদা ৭৫ অমসুং পুতালমদা ২৭ লৈখিদ্রে।

মরক অসিদা, ভারতনা ওপরেসন সাগর বন্ধুগী মখাদা লৈবাক অসিদা তেংবাং কয়া পীরি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-মেদিকেল অমসুং সপোর্ট পার্সোনেল ৭০, তঙাইফদবা গাড়িশিং অমসুং মোদ্যুলর ফিল্ড হোস্পিতাল য়াওবা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী সি-সভেন্টিন ত্রান্সপোর্ট ইয়ারক্রাফট ঙরাং কলম্বোদা থুংখ্রে।

শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-অৱাবা নংলবা শ্রীলঙ্কাদা ভারতনা লেপ্তুনা তেংবাং পীরি। মরক অসিদা, ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী এম.আই-সেভন্টিন হেলিকোপ্তরশিংনা তেংবাংগী পোৎলম টোন ৮ হেন্না মীয়ামদা য়েন্শোকখ্রে, মীরৈবাক্তগী লাকপা মীওই অমা, ফিভম লুবা অনাবশিং অমসুং মীরোনবী নুপী অমা য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫ শাফগদবা মফমশিংদা থংদোরকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইম্ফাল-গুৱাহাতি-দিল্লি ফ্লাইট, নুমিৎ খুদিংগী পাইবা হৌখ্রে হায়বা পাউ, ইরাং মনুংদা কন্ত্রেক্তরশিংগী লুপা কোতি ৭০-৮০ রোমগী হেভি মেছিন্নারি গাড়ি পুন্না ৪২৪ মৈ থাদোকপসু য়াওখি, হুরানবসু য়াওখি হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

ইম্ফাল-গুৱাহাতি-দিল্লি ফ্লাইট নুমিৎ খুদিংগী পাইবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্টরনেসনেল ত্রাফিক্কিং নেটৱার্ক অমা থুগায়খ্রে, ম্যান্মারদগী উমং অমদি তুরেল ফাওরগা অসামদা লুপা ক্রোর ১২.৫ গী দ্রগশিং পুরমখি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লামাইদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

রাজ্য সভানসু মনিপুর জি.এস.টি. এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌখ্রে, ওপোজিসননা মনিপুর নুংশিবসিদি গম্ভীরনা মপি তাবগুম্বনি হায়না শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

২০২৬ কী এপ্রিলদগী হৌদুনা ফেজ অনি থোকা মীকোক থিরগনি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনামহি লাইনিংব্ তোখায়বা ওইনা শকখঙনবা রাজ্য সভাদা পুখৎখ্রে। তোকখায়না শক খঙবসিনা চপ চাবা দেমোগ্রাফি খঙগনি হায়না এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

টোটেল ষ্ট্রেঙ্ক ৭০৪ লৈগদবদা শুপতগী ১১০ খক্তমক লৈরক্লিবা

এক্সাসাইজ দিপার্টমেন্টকী অরোইবা খোঙ্গাউ হৌরক্কদৌরে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ফুদ সেফতি ইনফোর্সমেন্ট মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎলে হায়বসিনা মনিপুর মেলগী এঙ্কর কলমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগা চীংগী লমশিংগী তোখায়বা বজেটকীদমক ডল্লিয়ু.এম.সিনা প্রাইম মিনিস্তরদা অইবা চেরোল পীখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইং ২০০৭ কী মীখলদা মনিপুরদা বি.জে.পিনা শক্তি পায়গনি হায়না এম.এল.এ. রাধেশ্যামনা ফোংদোকখিবা ৱাফম গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংনা ময়ুদা হলহনবীয়ু হায়না থা অমা চুপা চংশিল্লিবা খোঙজং ঙরাং নুমিৎ নিনি শুখ্রে হায়বসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।